## পঞ্জাব ঙমখৈগী শরুক্তা পাক দ্রোন অমা কাপথখ্রে

অম্রিটসর, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
ইন্দিয়া অমসুং পাকিস্টান লৈবাক অনীগী তায়নবা শরুক্তা লৈরিবা পঞ্জাব ঙমখৈগী শরুক্তা ঙসি বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স ট্রুপশিংনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা পায়শিল্লকখিবা পাকিস্টানি দ্রোন অমা কাপথখ্রে হায়না বি এস এফকী মকোক থোংবা ওফিসর অমনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসর অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না মী য়াওদবা দ্রোন অসি ঙসি অয়ুক পুং ২.৩০ রোম তাবদা অম্রিটসর সেক্টরগী রিয়র ককর পোস্ট মনাক্তা কাপথখিবনি। হায়রিবা মফম অসি ঙমখৈগী শরুক্কা নক্কনবা লৈবা মফমনি। বি এস এফ পর্সনলশিংনা দ্রোন অদু কাপথরবা মতুং য়েংলুবা মতমদা দ্রগ ওইরম্বা য়াই চিংনবা পেকেট খরা ফংবা ঙমখ্রে হায়রিবা পেকেটশিং অদু টেস্ট তৌনবগীদমক সেম্পলশিং থাখ্রে। দ্রোন কাপথখিবা মফম অদুগী অকোয়বদা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথুরি হায়না ওফিসর অসিনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পাকিস্টানদগী দ্রোন শীজিন্নদুনা লৈবাক অসিদা দ্রগ পুশিল্লকপগী থৌওং য়াম্না তোয়না চৎথে হায়রি।

## বি বি সীগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম থিংবগী মতাংদা চয়োল অহুমগী মনুংদা রিপোর্ট পীখৎলক্লবা খঙহনখ্রে

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০০২ দা গুজরাটতা থোকখিবা থৌদোক অমগা মরী লৈননা বি বি সীনা নমখিবা দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অমা সেন্টরনা অথিংবা থমখিবা অদুগী মতাংদা রিপোর্ট অমা চয়োল অহুমগী মনুংদা পীখৎলক্লবা সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা নোটিস ইসু তৌখ্রে হায়রি।

দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অদু স্ক্রিনিং তৌবদা সেন্টরনা অথিংবা পীরিবা অদুগী মতাংদা মায়কৈ খরদগী আপিল তৌরকখ্রবা মতুং সুপ্রিম কোর্টনা সেন্টরদা নোটিস ইসু তৌখিবনি। ভেটেরান জর্নেলিষ্ট এন রাম, এক্টিভিষ্ট কম লোয়র প্রসান্ট ভুসন অমসুং ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি মহুৱা মোইত্রানা বি বি সী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম স্ক্রিনিং তৌবদা সেন্টরনা থিংলিবা অদুগী মতাংদা পিটিসন ফাইল তৌরকখিবনি। অদুগী মতুং সুপ্রিম কোর্টনা খোঙথাং অসি পায়খৎলকখিবনি। দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসিবু খুদক্তা থিংবা অমদি সোসল মিদিয়াদগী মসিগী লিঙ্কশিং লৌথোকপগী থৌওং অদুবু পিটিসন অসিনা চেলেঞ্জ তৌরি। লোয়র এম এল শর্মানা তোঙাননা থারকখিবা পিটিসন অমগী মতুংইন্নসু বি বি সীগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি থিংনবা সেন্টরনা ফোর্মেল ওইনা চে থোকপা লৈতে। মরম অদুনা থৌওং অসিদি কন্সটিট্যুসনগী ৱাংমদা চথুরকপনি হায়রি।

অমরোমদা, মমাঙ থাগী ২১ দা সেন্টরনা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি রুল ২০২১ গী মখাদা ইমর্জেন্সি প্রোভিজনশিং শীজিন্নদুনা য়ুটুবতগী ভিদিও কয়া লৌথোকখিনবা দিরেক্সন পীখি। অমদি ত্বিটরদা পোষ্ট সিয়রিং তৌবসু য়াহনখিদে। অদুবু সেন্টরনা ইমর্জেন্সি প্রোভিজন শীজিন্নখিবা অদুগী মতাংদা পুং ৪৮ গী মনুংদা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পুথোক্কদবনি। হায়রিবা অসিসু থবক্তা ওন্থোকপা লৈতে হায়না পিটিস্নরশিংনা ফোঙদোরক্লি। বি বি সীগী দোক্যুমেন্টরি ফিল্ম অসি বেন তৌখ্রবা মতুং মহুৱা মোইত্রা য়াওনা তোঙান তোঙানবা ওপোজিসন লিদরশিং অমদি মহৈরোয় ওর্গনাইজেসনশিংনা ফিল্ম অদুবু পব্লিক স্ক্রিনিং তৌবা হৌরকখিবনি। মহৈরোয়শিংনা কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসশিংদা বি বি সী দোক্যুমেন্টরি অসি স্ক্রিনিং তৌনবা হোৎনবদা ওথোরিটিশিং অমদি পুলিসকা মুক্কবগী থৌদোক কয়াসু থোকখ্রে। পুলিসকা মুক্কবগী থৌদোক্তা মহৈরোয় কয়া দিটেন তৌদুনা থমখিবগী থৌওং অদুবুসু মায়কৈ কয়াদগী য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।



## য়ু এ পি এ দেমোক্রেসিদা চাওনা শিংনরিবা এক্ট অমনি ঃ শশি থারুর

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
অনলোফুল এক্টিভিটিস (প্রিভেন্সন) এক্ট (য়ু এ পি এ) অসি দেমোক্রেসিদা খ্বাইদগী হেন্না শিংনরিবা এক্ট অমনি হায়না হান্নগী য়ুনিয়ন মিনিষ্টরসু ওইরম্লবা কোংগ্রেস লুচিংবা শশি থারুরনা ফোঙদোরক্লি।

কেরলাগী জর্নেলিষ্ট সিদিকি কাপন বেলদা থাদোরকখ্রবা মতুং ৱাফম অসি শশি থারুরনা ফোঙদোরকখিবনি। হীরম অসিগা মরী লৈননা শশি থারুরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা উট্টর প্রদেশকী হাথ্রাসতা থোকখিবা রেপ অমসুং মর্দর কেসকী মতাংদা রিপোর্ট লৌনবগীদমক চৎখিবা জর্নেলিষ্ট অসিবু পুলিসনা মরম চাদনা ফাজিন্দুনা চহী ২ হেন্না জেলদা থম্লকখিবনি। থা ২৮ সিদিকি কাপনবু চার্জ অমত্তা য়াওদনা জেলদা থম্লকখিবা অসিনা তাকপদি য়ু এ পি এনা গভর্ণমেন্টদা মরাল লৈজদবা মীওইশিং মরম পীদনা ফাজিনবা য়াবগী অয়াবা পি হায়বনি। সিদিকি কাপনগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টনা বেল নত্রগা জেল হায়বগী মতাংদা ফিরেপ লৌনবা মতমদসু মতম কা হেন্না চঙখি। মরম অদুনা য়ু এ পি এ অসি দেমোক্রেসিগী ওইনদি চাওনা শিংনবা অমনি। লোক সভাদা য়ু এ পি এ এমেন্দ তৌবা মতমদা মহাক্লা অকনবা মওংদা ওপোস তৌখিবনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা জেল মনুংদা সিদিকি কাপননা লৈরিঙৈ মতমদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি হায়বগী মতাংদা কাপন মশানা মীয়াম মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। কাপননা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না জেলদা মহাক্লা লৈরিঙৈদা হিন্দি লাইরিক নত্তনা অতোপ্পা লাইরিক অমত্তা পানবা পীরকখিদে। মহাক্লা ইংলিস নত্রগা মলয়ালম লোলদা ইবা লাইরিকশিং পীবিনবা হায়বদা অয়াবা পীখিদে। মহাক্লা খঙদবা হিন্দি লোলগী লাইরিক খক্তমক পীরকখি। অসিগুম্বা থৌওং অসিদি দেমোক্রেসিবু লৈখা তানা মাঙহন্নবা হোৎনবনি। মহাত্মা গান্ধীগী লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা মখলগী থবক থৌওংশিং চথুরকপা হায়বসি খ্বাইদগী হেন্না লায়বক থিবনি হায়রি। পনবা য়াবদি অলহবাদ হায় কোর্টনা বেল পীখ্রবা মতুং চয়োল ৬ লৈরগা সিদিকি কাপন জেলদগী থাদোরকখিবনি।



## জম্মু অমসুং কাস্মিরগী মফম খরদা চাওনা লৈক্রক চৎপা থেংনখ্রে

দোদা, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
উট্টরখন্দগী জোসিমাথ টাউনদা থোকখিবা থৌদোক অদুগা চপ মান্নবা মওংদা জম্মু অমসুং কাস্মিরগী দোদা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা ভিলেজ অমদা চাওনা লৈক্রক চৎপা থেংনখ্রে হায়না লোকল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না দোদা দিষ্ট্রিক্টতা য়ুম ২০ হেন্না অমদি মোস্ক অমা চাওনা লৈক্রক চৎপা থেংনবদগী মীয়াম মীপায়বা পোক্লরে। লৈক্রক চৎলবা য়ুমশিং অদুগী মীওইশিং শাফগদবা মফমদা পুথোরকখ্রে। অমদি খুঙ্গং অদুদা এক্সপার্টশিং থাজিন্দুনা ওইরক্লিবা থৌওং অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

দোদাগী দিপ্যুটি কম্মিসনর বিসেস মহাজননা ফোঙদোকখিবদা খুঙ্গং অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিং খুদোংথিবা থোকহন্দনবগীদমক পায়খৎপা য়াবা থবক থৌওংশিং মরী লৈনবশিংনা পায়খৎলি। দোদা দিষ্ট্রিক্টকী নায় বষ্টি ভিলেজদা য়ুম ৫০ রোম লৈ। খুঙ্গং অসি তাথ্রি ম্যুনিসিপাল এরিয়াগী মনুংচন্না লৈবনি। য়ুম ৫০ রোম লৈবগী মনুংদা য়ুম ২০ হেন্না লৈক্রক চৎলম্বা ঙসি অয়ুক মীয়াম্না থেংনরকখিবনি। মীয়াম্না থৌদোক অসিগী মতাংদা কা হেন্না মীপায়বা পোকপা তৌবীগনু। এক্সপার্টশিংনা থিজিনবগী থবক চথুবা হৌখ্রবনিনা লৈক্রক চৎপগী মরম অথুবদা খঙবা ঙম্লগনি হায়রি।

## জে ঈ এমগা মরী লৈনবা মীওই ৬ পুলিসনা ফারে

কুলগাম, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
জম্মু অমসুং কাস্মির পুলিস অমদি ইন্দিয়ন আর্মিগী অখন্নবা টিম অমনা চথুখিবা থিহুম্বগী থবক্তা জাইস-ঈ-মোহমদ (জে ঈ এম) কা মরী লৈনবা লালহৌবা ৬ ফাবা ঙম্লে হায়না জে এন্দ কে পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।

জে এন্দ কে পুলিসনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না কুলগাম দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচন্না মিরহামা অমসুং দমহাল হঞ্জিপোরা এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরা চথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং ওপরেসন চথুখিবনি। মদুদা জে ঈ এমগী লালহৌবা ৬ ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা য়াম্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়াসু লালহৌবশিং অদুদগী ফাগৎপা ঙমখ্রে। সিক্যুরিটি ফোর্সনা লালহৌবশিং অদুদগী রিকোভর তৌবা ঙমখ্রবা খুৎলায়শিং অদুদি পিষ্টল অমা, মেগজিন অমা, মরু ১৮, হেন্দ গ্রেনেদ অমা, য়ু বি জি এল সেল ৪, এ কে-৪৭ গী মরু ৩০, এম-৪ রাউন্দ ৪৪৬, এম-৪ গী মেগজিন ৮, এ কে-৪৭ মেগজিন অমা, ইনসাস মেগজিন অমা, মোটার সেল অনী, ৱায়র্লেস সেট অমা, ৱাকি তোকি ৪ অমসুং লালহৌলুপ অসিগা মরী লৈনবা চে চাং খরনি। মখোয় ৬ ফারবা মতুং অহানবগী ওইনা চথুখিবা ৱাহং পাউহংদা মখোয় ৬ মক জে ঈ এমগা মরী লৈনবা লালহৌবশিংনি হায়বা য়াজখিবগা লোয়ননা সোসল মিদিয়াগী খুথাংদা লৈবাক অসিগী ৱাংমদা লৈবা জে ঈ এমগী লুচিংবশিংগা মখোয়গা পাউ ফাওনবগী থবক চৈথে হায়বসু খঙবা ঙমখ্রে। মীওই ৬ অসিনা কুলগামগী মী য়াম্না তিনবা মফম অমদা বোম এটেক চথনবা হোৎনরম্বসু লৈ হায়বা পুলিসনা খঙবা ঙমখ্রে। থৌদোক অসিগী মতাংদা জে এন্দ কে পুলিসনা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা মখা তানা থিজিনবগী থবক চথবা হৌখিবগা লোয়ননা ঙমখৈগী শরুকশিংদা সিক্যুরিটি ফোর্সকী থবক হান্নদগী হেন্না কনখৎহল্লগনি হায়রি। অমরোমদা, ফারবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা মরী লৈনবা কেসশিং রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।



## অমরিন্দর সিংহগী নুপী কোংগ্রেতগী সস্পেন্দ তৌখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
পঞ্জাবকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা কোংগ্রেসকী হান্নগী লুচিংবা হৌজিক্লা বি জে পিদা য়াওখ্রবা কেপ্তেন অমরিন্দর সিংহগী লোয়নবী প্রিনিট কোর কোংগ্রেস দিসিপ্লিনরি কম্মিটিনা পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌখিবগা লোয়ননা নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা মহাক পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌরোয়দবগী মরম খঙহল্লক্লবা হায়খ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস দিসিপ্লিনরি পেনেল মেম্বর সেক্রেটরি তরিক অনৱারনা ফোঙদোকখিবদা পঞ্জাব কোংগ্রেসকী লুচিংবা অম্রিন্দর সিংহ রাজানা লোক সভাগী এম পি প্রিনিট কোরনা পার্টিগী মায়োক্তা থবক থৌরম কয়া চথরে হায়না কমপ্লেন তৌরকখ্রবা মতুং মহাকপু সস্পেন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। পঞ্জাব কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট রাজানা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকআর্জুন খর্গেদা হীরম অসিগী মতাংদা অইবা চেরোল পীদুনা খঙহল্লকখিবনি। রাজাগী চেরোল অদুগী মতুংইন্না কোংগ্রেস লুচিংবী অসিনা বি জে পিগী মতেং পাঙদুনা এন্টি পার্টি ওইবা থবক কয়া চৈথে হায়রি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্টদা হীরম অসিগা মরী লৈননা কমপ্লেন লাক্লবা মতুং দিসিপ্লিনরি এক্সন কম্মিটিদা য়েংশিন্নবা খঙহল্লকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা দিসিপ্লিনরি এক্সন কম্মিটিনা মুন্না য়েংশিল্লবা মতুং লোক সভাগী এম পি প্রিনিট কোরবু পার্টিদগী সস্পেন্দ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

## কাস্মিরি পন্দিটশিংগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টরদা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
কাস্মির ভেলিদা থবক তৌরিবা কাস্মিরি পন্দিটশিংদা টার্গেট তৌরগা টেরোরিষ্টশিংনা এটেক চথবগী থৌদোক কয়া থোরক্লিবা অদুগা মরী লৈননা কাস্মিরি পন্দিটশিংবু ঙাক শেনবীনবা ৱাফম পল্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা কোংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধীনা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে হায়রি।

রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না হন্দক্তা লোয়শিনখিবা মহাক্কী ভারত জোরো যাত্রা খোঙচৎতা কাস্মিরি পন্দিটশিংগী মীহুৎশিংগা উন্নদুনা ৱারী শানখি। অদুদা গভর্ণমেন্টগী থবক তৌরিবা কাস্মিরি পন্দিট কয়ানা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়া অদুগী মতাংদা খঙবা ঙম্লে। জম্মুদা লৈরিবা ওথোরিটিশিংনা কাস্মিরি পন্দিট কয়া মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা প্রেসর পীবগী রিপোর্ট ফংলে। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মিৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

## হাঙদুনা লৈরিবা জজশিং হাপচিন্নবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি ঃ কিরেন রিজিজু

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী ওইনা হায় কোর্ট অমদি অতোপ্পা লোকল অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কোর্টশিংগী হাঙদুনা লৈরিবা জজশিং হাপ্পবগীদমক সেন্টরনা হোৎনরি হায়না লো এন্দ জষ্টিস মিনিষ্টর কিরেন রিজিজুনা পার্লিয়ামেন্টদা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



লৈবাক অসিদা কেস কয়া পেন্দিংদা লৈরিবা অসি হায় কোর্টকী জজ ৱাৎপখক্তগী নত্তে, তোঙান তোঙানবা ফেক্টর কয়া লৈরি। অদুবু হায়রিবা খুদোংচাদবা কয়া অসি লৈহন্দনবগীদমক লৈঙাক্কী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা জজশিং হাপচিল্লগনি। হায় কোর্টতা জজকী মশিং হেনগৎহনবা হায়বসি চীফ জষ্টিসকী মথৌদসু য়াঙশিল্লক্কদৌরিবনি। ষ্টেট ষ্টেটকী ওইনা লৈরিবা গভর্ণমেন্টশিংনসু হীরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা থবক তৌরবদি চয়েৎনবা কয়া থোক্লিবা অসিগী ৱারোয়শিন পুরকপা ঙমগনি হায়রি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯅꯣꯇꯤꯁ/NOTICE FOR OBJECTION
Imphal, the 3rd Feb. 2023

No.Prop/SR/IW/2023: It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from "Bazar & Thana Mamang Development Association (BTMDA)" of Mayang Imphal Bazar - P.O. & P.S. Mayang Imphal on 30-01-2023 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of "Mayang Imphal Thana Mamang Leikai Only".

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association /Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/ registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/ considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act, 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

**(Further you can contact 9863288954 for any objection/quarry)**

**Sd/- I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/4986/04

## লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৯৯ থেংনখি

ন্যু দেল্লি, ফেব্রুৱারী ০৩ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ৯৯ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমত্তা শিহনখিদে হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।



রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ৯৯ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮৩,১২২ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ১৭৬৪ দা হেনগৎলকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই অমত্তা শিহনখিদবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭৪১ লেঙদনা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮১ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। মমাঙ চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি।

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST, PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 52/SDC/IW(P) of 2023**
Khangjrakpam Subadani Leima W/o (L) Kh. Budhi Meetei of Sagolband Moirang Hanuba Mamang Leirak. -Petitioner
-Vs-
(L) Khangjrakpam Sudhir Singh S/o (L) Budhi Singh of Moirang Hanuba Leirak. -Deceased Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
3/2/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোইগী খুল নং ৮৩- লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ৫৭ (অরিবা), ৪৮৫ (অনৌবা) গী দাগ নং ৭১০ (sheet no. 1) গী এরিয়া ০.০৭৬০০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিনি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মচানুপাগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না মহাক্কী মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মচা-মশু, লোইনবী অমদি মরী মতাশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১২/২/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। মরম অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/5875/04

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR,
HIYANGLAM

**Ref :- Mutation Case No. 14/SDC/H Dated:- 03/02/2023**
1. Huidrom Brojen Singh S/o (L) Huidrom Irabanta Singh of Wabagai Makha Leikai.
2. Huidrom Rameshwar Singh S/o Huidrom Gouri Singh of Wabagai Makha Leikai. -Petitioners
-Vs-
(L) Huidrom Nabakumar Singh S/o (L) Huidrom Irabanta Singh of Wabagai Makha Leikai. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
kakching, the 3rd February, 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, হিয়াংলম তহসিল খুল নং: ৬৬-ৱাবগাই অনৌবা পাট্টা নং: ১২৭২ অরিবা পাট্টা নং: ৫৪৫ গী দাগ নং: ২৪২৫ গী লম হেক্টর .৫৯৩০ চাওবা ইঙ্খোল লম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কক্লগা উক্ত দংকারিশিংগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কেস অসিগা মরী লৈনবা য়েৎপীনিংবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector**
Hiyanglam

HL-P/5928/04

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR:
BISHNUPUR

**Ref :- Mut. Case No. 39/SDC/Bishnupur of 2023**
1. Laishram Deban Singh S/o (L) L. Jugindro Singh of Bishnupur Ward No. 6.
2. Longjam Anil Singh S/o L. Ibomcha Singh of Bishnupur Ward No. 6. -Petitioner
-Vs-
Khumukcham Ningol Laishram (O) Ibemcha Devi W/o Deban Singh of Bishnupur Makha Leikai. -OPP

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Bishnupur, the 3rd February, 2023

Under Sec 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Khumukcham Ningol Laishram (O) Ibemcha Devi W/o Deban Singh of Bishnupur Makha Leikai গী মিংদা পানবা খুল নং 38-Bishnupur Kha পাট্টা নং 33 (অরিবা) 858/2347 (অনৌবা) দাগ নং 2076/4639 গী 0.10 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাটাদার লৈখিদ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner নং ১ অমসুং ২ গী মিংদা নামা পানবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা/আপতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা অইবা চেনা Court অসিদা য়েৎপীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই কেস মখা চথজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector:**
Bishnupur

HL-P/5927/04

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST, PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 54/SDC/IW(P) of 2023**
Keisham Amujao Singh S/o K. Konungjao Singh of Sagolband Moirang Hanuba Leirak. -Petitioner
-Vs-
(L) Keisham Chandramani Singh S/o K. Mera Singh of Sagolband Moirang Hanuba Leirak. -Deceased Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
3/2/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোইগী খুল নং ৮৩- লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ৫৭ (অরিবা), ৪৩৬/১৮৬১ (অনৌবা) গী দাগ নং ৬৪৮/২০৯২ গী এরিয়া ০.০১৯ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারি মশুনুপা অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপুবোক্কী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা অইবা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিং অমদি মচা-মশুশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১২/২/২০২৩ ইংগী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা অইবা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/5875/04

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR
IMPHAL WEST, PATSOI

**Ref :- Mut. Case No. 53/SDC/IW(P) of 2023**
Khangjrakpam Ibemhal Leima W/o (L) Biramangol Meetei of Sagolband Moirang Hanuba Mamang Leirak. -Petitioner
-Vs-
(L) Khangjrakpam Biramangol Singh S/o (L) Thambalngou Singh of Sagolband Moirang Hanuba. -Deceased Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
3/2/2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবশিংগী মফমদা পাউচেগী খুথাংদা খঙহঞ্জরি। ই:ও: পাৎশোইগী খুল নং ৮৩- লমজাওতোংবগী পাট্টা নং ৫৭ (অরিবা), ৪৮৬/২১৮৪ (অনৌবা) গী দাগ নট৭১১/২৪৩২ (sheet -1) গী এরিয়া ০.০৬১০০ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃত ওইখিবনা মথক্তা পল্লিবা দংকারিনি অসিনা মৃ: পাট্টাদার মপুরোইবগী স্বর্ত্তদা অমদি দখলগী মতুংইন্না মহাক্কী মমিংদা নামা পাঞ্জরগে হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা য়েৎপীনিংবা মৃ: পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মচা-মশুশিং অমদি মরী মতাশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরগদি লাক্লিবা তাং ১২/২/২০২৩ গী অয়ুক পুং ১১.০০ তাবা ফাওবগী মনুংদা দরখাষ্ট থাবিদুনা য়েৎপীহৌবা য়াগনি। অদুনা মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই অমদি কোর্টকী হুকুম চথরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi

HL-P/5875/04